## য়াইবিলেন চিলড্রেন হোমদা তেংবাংনরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলড্রেন হোমদা তেংবাং পীনরক্লি হায়না য়াইবিলেন চিলড্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটি কৈবী সনাপাৎকী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খুরাইদগী পেচিময়ুম ওপেরানিনা অঙাংশিংগীদমক লুপা লিশিং ১ পীরম্মী। থা অসিগী ৮দা সৈত্য সাই সেবা মণিপুর সগোলবন্দ সমিটিগী মেম্বরশিংনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ অনী পীরম্মী। থা অসিগী ৯ দা নাগামপাল চুংখাম লৈরক্তগী কে ঐচ কৈন্যাহনবীনা মহাক্কী মবুং-মৌপ্পাশিং, মচল-মচেশিংগা হোমদা লাকপীদুনা মহাক্কী মমা কে ঐচ ইবেম্মগী ৬ রকশুবা চহীগী লৈখিদবা কুমওনগা মরী লৈননা হোমদা লাকপীদুনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ৩, আলু বেগ ১, অচাথাউ লিটর ৬, চিনি, হৱাইনচিংবা পীরম্মী। থা অসিগী ১৩ দা লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকায়দগী লাইশ্রম শান্তিনা লুপা ৫০০ পীরম্মী। নুমীৎসিমক্তদা এ ও সীদগী মোহন রাজনা লুপা ৫০০ পীরম্মী, নুমীৎসিমক্তুদা তেরা খোংশাংবীদগী লৈচোনবম সনাজ াওবনা লুপা ১০০, য়োরবুং ময়াই লৈকায়দগী উর্বশ্রী খোমদ্রামনা লুপা লিশিং ১ তেংবাংবীরম্মী।

নুমীৎসিমক্তুদা ইম্ফালদা লৈবা মেজিক সোপ বিটিএস আর্মিগী মেম্বরশিংনা হোমদা লাকপীদুনা কোরিয়াগী হেপি জি মিন দেগী নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক্তা লুপা লিশিং ১০ তেংবাংবীবগা লোয়ননা মখল মথেলগী অখন্নবা অচাপোৎশিংসু পীজরম্মী। নুমীৎসিমক্তুদা শিংজ মৈ নিঙোমথোংদগী নিঙোম্বম কল্কিরণগী লোয়নবী নিঙোম্বম দেবিতানা লুপা ৫০০ তেংবাংবীরম্মী। নুমীৎসিমক্তুদা পাঙ্গৈ হাওতলদগী সেঞ্জম ওংবী তোম্বীসনা, সেঞ্জম সঞ্জিৎ অনীনা অঙাংশিংগীদমক্তা চেঙ বেগ ১ পীবীবগা লোয়ননা এঞ্জাং অহাউবসু পীজবীরম্মী। থা অসিগী ১৪ দা খেৱা কম্পেনিদগী সগোলশেম থোইবা মীতৈনা লুপা লিশিং ১ তেংবাংবীরম্মী। জেনিমস পোরোম্পাৎকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. নিঙোম্বম জিতেন্দ্রনা হোম শেমগৎনবগীদমক্তা লুপা লিশিং ১০ পীবীদুনা পেট্রোন মেম্বর ওইখি। তেংবাংবীরক্লিবশিং অমদি পেট্রোন মেম্বর ওইবীরক্লিববু হোমগী থৌবুরোয়শিং, অঙাংশিং, য়াইবিলেননা তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা থাগৎলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টরগী ৱাঙাং য়ানিংদে হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে, ইফিজি মৈ থাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচ এন এস): হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহরলাল খট্টরনা এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগী মথক্তা অন-পার্লিয়ামেন্টরি ওইবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা য়ানিংদে হায়না ঙসি কোংগ্রেস ভবন ইম্ফালগী মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। কোংগ্রেস ভবনগী গেটতা হরিয়ানা সী এম ইফিজি মৈ থানবা হোৎনরকপদা পুলিসনা থিংবদগী কোংগ্রেস ভবন কেম্পস মনুংদা ওইনা ইফিজি মৈ থাখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি নুংথিল কোংগ্রেস ভবনগী গেট মমাঙদা সিট ইন প্রোটেষ্ট ফমখি। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমদি এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম য়াওনা ৱাকৎ মীফম চত্থখি। ৱাকৎ মীফম ফম্ফম অদুগী মমাঙদা হরিয়ানাগী সী এমগী ইফিজি মৈ থানবা থৌরাং তৌবদা মফমদুদা দ্যুটি তাবা মশিং য়াম্লবা পুলিসশিং চঙশিল্লক্তুনা ইফিজি অদু মুন্নবা হোৎনখি। কোংগ্রেস থৌমীশিং অমদি পুলিসকী মরক্তা মুক্নরবা মতুংদা হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টরগী ইফিজি অদু কোংগ্রেস ভবন কেম্পসতা ওইনা পুশিল্লগা মৈ থাখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা অমদি য়ু পি এগী চ্যেরপার্সনসু ওইরিবী সোনিয়া গান্ধীদা হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টরনা অন-পার্লিয়ামেন্টরি ওইবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া শীজিন্নদুনা ৱা ঙাংখিবা অদু কন্দেম তৌই। লুচিংবা অমা ওইরগা অন-পার্লিয়ামেন্টরি ওইবা ৱাহৈ শীজিন্নবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি কোংগ্রেস ভবন ইম্ফাল মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফম্বনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা ফোঙদোকখিবদা, য়ু পি এগী চ্যেরপার্সন ওইরিবী মীয়াম্না ঈকায় খুম্নরিবী লুচিংবী অমগী মথক্তা হরিয়ানাগী সী এমনা অন-পার্লিয়ামেন্টরি ওইবা ৱা ঙাংবসি য়াম্না হকচিন্না কন্দেম তৌই। সী এম অমা ওইরগা করম্না ৱা ঙাংগনি হায়বা ফাওবা খঙদবসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মসিনা তাকপদি লিদরশিপকী ওইবা মওং অদু লৈতে হায়বনি। চাউখৎপা পাম্বা মীপুম খুদিংমক্না হরিয়ানাগী সী এমগী ৱাঙাং অদু য়ানিংলম্লোই। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর অমনা অসিগুম্বা থৌদাং লৈতবা ৱাঙাং ঙাংবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা এম পি সী সীনা শিল্লগা ঙসি দেম্মক্রেটিক ওইবা মওংদা ৱাকৎ মীফম ফম্বনি। ইফিজিনচিংবা মৈ থানবগী থৌরাং তৌবদা পুলিসনা অথিংবা পীরকখিবা থৌওং অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। কোংগ্রেসনা য়াম্না মতম শাংনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়াগী ইফিজি মৈ থাখিবা লৈ। মতম অদুদা করিসু কন্না অথিংবা পীখিবা লৈতে। অদুবু হৌজিক চত্থরক্লিবা থৌওং অসিদি য়াম্না লাইবক থীবনি। মসিনা মরম ওইরগা কোংগ্রেস ভবন কেম্পস মনুংদা ওইনা চঙলক্লগা এজিটেসন তৌবনি। মমাঙদা কোংগ্রেস ভবন কেম্পসতা ফাওবা টিয়ার গ্যাসনচিংবা কাপশিন্দুনা কোংগ্রেসকী থৌমী কয়া অশোক-অপন নংবগী থৌদোক লৈখ্রবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## মীংচৎ থিহনবগীদমক লোগী ওইবা চপ চাবা থবক পায়খৎলগনি : এসোসিএসন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচ এন এস): কঞ্জ্যুমর এফ্যেরস ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন লেবরর ৱেলফ্যের এসোসিএসনবু মীংচৎ থিহনবশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা চপ চাবা থবক পায়খৎলগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি মনিতোম্বা মৈতৈনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মনিতোম্বনা হায়খি, শিন্মীগী ওর্গনাইজেসন অমদগী অতোপ্পা ওর্গনাইজেসন অমদা মশাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা য়াওখিবদা অথিংবা লৈতে। চৎন-কাঙলোন চুম্না য়াওখিবা য়াই। শিন্মীশিংগী রাইটকীদমক চহী ১০ গী মথক্তা থবক তৌরক্লিবা অমদি খুন্নাই অসিগী তোঙান তোঙানবা থবক তৌরিবা এসোসিএসন অসিবু ওল জিরিবাম লোকল লেবরর য়ুনিয়ন কৌবা লূপ অমনা লান্না পাউ শন্দোরকপা লাইবক থীবনি। জিরিবাম লোকল লেবরর য়ুনিয়ন হায়বা তারগদি য়ুনিয়ন অসিদা য়াওরিবা মীওইশিং অদু জিরিবামগী লোকলগী মীওইশিং ওইফম থোকপনি। য়ুনিয়ন অদুদা য়াওরিবা মীওইশিংদি অয়াম্বা নন-লোকল ঙাক্তনি।

মীওই খরা সী এ এফ এন্দ পি দি লেবরর ৱেলফ্যের এসোসিএসনদগী তোক্লগা মখোয়দা য়াওরে হায়দুনা ক্লেম তৌরিবা মীওইশিং অদু ঐখোয়গী মেম্বর ওইদ্রি। এসোসিএসন অসিবু মীচং-মীখায় নাইবা শিন্মীগী লূপনি হায়না শন্দোক্লিবসি অরানবনি। মীচং-মীখায় নাইরিবদি কন্ট্রেক্টরনি। কন্ট্রেক্টরনা হৌজিক এফ সী আই, এফ এস দি অমদি রেল হেদতা থবক শুরিবা শিন্মীশিংদা মান্ননা খুৎশুমল পীদে। অমদা অমদা তোংশিন্দুনা খাইবুং খাইবা তান্নবা শিল্লি। থবক শুরিবা শিন্মীনা ফংগদবা শেল ফাওবা কন্ট্রেক্টরনা দ্রাইভরশিংদগী লৌশিল্লগা খরা অমদা পীরগা খরদনা পীবীদ্রে। সী এ এফ এন্দ পি দি ৱেলফ্যের এসোসিএসনবু মীংচৎ থিহনবগীদমক চেন্নরিবা খুদিংমক্কী মথক্তা লোগী ওইবা চপ চাবা থবক পায়খৎলগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা কঞ্জ্যুমর এফ্যেরস ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন লেবরর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি। শিন্মীশিংগীদমক এসোসিএসন অসিনা থবক থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি। মখা তানসু শিন্মীশিংগা লোয়ননা থবক তৌখিগনি হায়বা ৱাফম কয়াসু পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা এসোসিএসনগী মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লখি।

## মল্টি মীদিয়া ৱার্কশোপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্টর কোলকাটাগী মীৎয়েং মখাদা মল্টি মীদিয়া ৱার্কশোপ অমা থা অসিগী ২০ দগী ২৭ফাওবা খুমন লম্পাক ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কংলা একাদেমীগী সেক্রেটরি এল কিশ্বরজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর, অসাম, ত্রিপুরা অমদি সিক্কিমদগী পেন্টর স্কলুটর অমদি গ্রাফিক আর্টিষ্ট পুন্না ২১ না ৱার্কশোপ অসিদা শরুক য়াগনি। ৱার্কশোপ অসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী, খুমন লম্পাক ইম্ফালদা থা অসিগী ২০ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হৌদোক্কনি। থৌরম অসিদা ললিত কলা একাদেমী এৱার্দী অমদি এম এস কে এ ফেলো টি ঐচ তোম্বীনা প্রিসাইদ তৌগনি। এম এস কে এ এৱার্দী কুল্লচন্দ্র এম থেম অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর এ শিবদাসনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি। লিটরেরি প্রোগ্রামসু পাঙথোক্কনি। শক্লাইরবা কবি মঙানা শৈরেং থিগনি। পেনা ফমশক, মাইবী জ গোয়, কবুই দান্স, মরিং ৱার দান্স উৎকনি। মৌ অহুম নিংঙোল অমা হায়না মিংথোনবা পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী শুমাং লীলা অমসু ৱার্কশোপ অসিগী হৌদোকপা নুমীৎতা উৎকনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীখল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচ এন এস): গভর্ণমেন্ট, গভর্ণমেন্ট এদেদ কোলেজশিংগী প্রিন্সিপালশিংগী মীটিং থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্তুনা লেপ্নখিবগী মতুংইন্না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইলেক্সন একাদেমীক সেসন ২০১৯-২০২০ নবেম্বর ৮ দা পাঙথোক্লগনিহায়না দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না নোটিফিকেসন ফোর্ম ইস্যুগী অরোইবা নুমীৎ ওক্টোবর ৩১ ওইগনি। নোমিনেসন ফাইলগী অরোইবা নুমীৎনা নবেম্বর ২ গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা, স্ক্রুটিনিনা নবেম্বর ৪, ভোট থাদবনা নবেম্বর ৮ গী অয়ুক পুং ৯ দগী নুমীৎয়ুংবা ফাওবা অমদি ভোট থিবনা নবেম্বর ৮ গী নুংথিল পুং ১ দগী হৌগনি হায়নসু মখা তারি।

## জে সী আর ঈ চুড়াচান্দপুর সেন্টর হাংদোকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচ এন এস): জে সী আর ঈ স্কিল সোল্যুসনগী অনৌবা সেন্টর অমা ঙসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তুইবোং টি দি ব্লোক্কী চুল্লৌফাই ভিলেজদা হাংদোকখ্রে।

জে সী আর ঈ স্কিল সোল্যুসন চুড়াচান্দপুর সেন্টর হাংদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর সোসাইটি ফোর স্কিল দিভলপমেন্টকী মিসন দিরেক্টর দম্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈনা চীফ গেষ্ট, জে সী আর ঈ স্কিল সোল্যুসনগী দিরেক্টর অমদি সী ঈ ও, এল নিরঞ্জননা প্রসিদেন্ট ওইখি। মণিপুর সোসাইটি ফোর স্কিল দিভলপমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর এস ইবোচৌবা, কুকি ইনপি চুড়াচান্দপুরগী প্রসিদেন্ট দেনিএল গাংতে, এস দি ও তুইবোং লুনমিন্থাং, দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট এল টি খোংসাইনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

জে সী আর ঈ স্কিল সোল্যুসনগী দ্রিমদি মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা ট্রেনিং সেন্টর হাংদোকপনি। জে সী আর ঈগী মিসনদি কুমজা ২০২৩ ফাওবদা নোর্থ ইষ্টকী নহা লাখ ১ স্কিল অমদি ইম্পৱারমেন্ট ট্রেন তৌবনি। ভিজননা নোর্থ ইষ্টকী নহাশিংগী ইমপ্লোয়েবিলিটি হেনগৎহনবা অমদি ক্বালিটি ট্রেনিং পীবনি। জে সী আর ঈগী সেন্টর কয়া মণিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরাম অমদি ত্রিপুরাদা লৈরে। মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম কয়াদসু ট্রেনিং সেন্টর লৈহন্নবা মীৎয়েং থল্লি। লমদম অসিগী নহাশিংবু জোব ওরেন্টেদ স্কিল ট্রেনিং লৈহন্নবা মীৎয়েং চঙলি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## তরেৎ ফুদ প্রাইভেট লিমিটেদকী চাকহাও গুলা লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচ এন এস): তরেৎ ফুদ প্রাইভেট লিমিটেদকী অনৌবা চাকহাও গুলা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সীগী সী ঈ ও কে দেবদত্তনা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। ওল মণিপুর ওন্ট্রপ্রেন্যুর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট রিশিকুমার, মৈরা ফুদকী প্রোপ্রাইটর হঞ্জবম সুব্রা অমদি গ্লোবিজ ৱেব সোল্যুসনগী এম দি রোশিনিকুমার য়াম্বেমসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা তরেৎ ফুদ প্রাইভেট লিমিটেদকী ফাউন্দর বিরবল চিঙাংবমনা হায়খি, মণিপুরগী চাকহাওদা মীৎয়েং থল্লগা পোত্থোক অসি পুথোকপনি। মমাঙদা চাকহাও বুজিয়া পুথোকখ্রে। হৌজিক চাকহাওগী গুলা পুথোকপনি। হায় ক্বালিটিদা টার্গেট থল্লগা পুথোকপনি। থা ৪ দগী চহী ১ ফাওবা য়োনবা য়াগনি। মপান্দসু থাদোক্লবা পুথোকপনি। মমল লুপা ১১৫ লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কে দেবদত্তনা ফোঙদোকখিবদা, বিরবলনা মথং-মথং পায়খৎলকপসি নুংঙাইবা ফাওই। চাকহাও হায়বসি কেন্সর লায়না ফাওবা ফহল্লি হায়নরিবনি। ওর্গানিককী সিল্ডগুম্বা নমহন্নিংই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লমদম অসিগী মশক নাইবা ওন্ট্রপ্রেন্যুর কয়াসু শরুক য়াখি। চীঞাক্কী পোত্থোক পুথোকপা অমদি তোঙান তোঙানবা পোত্থোক কয়া পুথোক্লিবা মীওই কয়ানা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবা কয়ানা চাকহাওগী গুলা পুথোকপা অসিগী মতাংদা থাগৎপা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি। চাকহাওগী গুলা পুথোকপগা লোয়ননা মপান লমদা থাদোক্লবগী মীৎয়েং থল্লক্লিবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। লমদমসিগী পোত্থোকশিং মপান লমদা থাদোকপগা লোয়ননা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই। মণিপুরদা চাকহাও য়াওনা মখল কয়াগী পোত্থোকশিং পুথোক্তুনা মার্কেটতা নীংথিনা থাদোকপা ঙম্লবদি পোত্থোক পুথোক্লিবা মীওইশিংগী শেন্মীৎলোনশিং ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। পোত্থোক পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্নবা হোৎনবা চঙই হায়বা ৱাফম থম্লখি।

## বিনিফিসরি ইনরোলমেন্ট প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচ এন এস): অয়ুশমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনা (পি এম জে এ ৱাই) অমদি চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং (সী এম ঐচ টি) গী মাস এৱ্যেৰ্নেস কম বিনিফিসরি ইনরোলমেন্ট প্রোগ্রাম অমা ঙসি চনুং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা ষ্টেট হেল্‌থ এজেন্সী, দিরেক্টোরেট ওফ হেল্‌থ সর্ভিসেস অমদি চনু শিন্থা ক্লবকা খুৎশম্নদুনা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চনু কম্যুনিটি হোলদা থৌরম অদু পাঙথোকখি। এৱ্যের্নেস কম ইনরোলমেন্ট প্রোগ্রাম অসিনা মপুং ওইনা প্রাইওরিটি হাউস হোল্ডশিংদা হেল্‌থ কার্দ ইস্যু তৌবা অমদি স্কিমশিং অসিগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা এৱ্যের্নেস পীবদা অখন্নবা মীৎয়েং কয়া থমখি। প্রোগ্রাম অদুদা অখঙ-অহৈ কয়ানা স্কিমশিং অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি হায়রি।

## এ এম য়ু সীগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা কেক্রুপাৎতা লম-তূ শেংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর মেন পাৱর অপলিফ্টমেন্ট সেন্টর (এ এম য়ু সী)গী ১৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কেক্রুপাৎতা লম-তূ শেংখ্রে। লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা মিনট অনী তুমীন্না লেপখ্রে।

তুংদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরমদা এ এম য়ু সীগী প্রসিদেন্ট কে কামসোন, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবী, রোদ সাইদ ভেন্দর ৱেলফ্যের এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল মেম্মা, সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম, এ এম য়ু সীগী এদভাইজর পি ঐচ দেবান, ভাইস প্রসিদেন্ট কে হেলেননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা কে কামসোননা হায়খি, লমদম অসিদা হৌরক্লিবা ইচা-ইশুশিং লাইরিক হৈবা, হৈতবা মশিং হেনগৎলক্লি। য়েলহৌমীশিং শুফম-নোম্ফম লৈতবগী অৱাবা অমদি চাকখুম মুৎতনবা হোৎনরি। চীং-তমগী ওইবা শুফম-নোম্ফম লৈহন্নবা হোৎনবদা এ এম য়ু সী অসি লিংখৎখিবনি। শিন্মীশিংগী থবক শুহন্নবা হোৎনবনি। থবক্তা চিলহাও থিগুমসি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## লাইবুংদা উ ফজনা হৌহনবদা পান্দম ওইদুনা মেরা মীফম পাঙথোক্লগনি : উকল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী নাৎ, চৎনবী, লাইনিং ঙাক্তুনা থল্লিবা লাই হরাওবগী মরমদা মীয়াম পুন্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদবা মেরা মীফম থা অসিগী ২৯ দগী লময়ানবা শঙলেন পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি হায়না উকলগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এল অরুননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হন্দক্কী মীফম অসি লাইবুংদা উ ফজনা হৌহনবা অমদি কাঙলোন চুম্না লাই হরাওবা হায়বা পান্দমদা খন্ন-নৈনদুনা ৱারেপশিং লৌমিন্নগনি। লৈকায়, খুলগী লাই থৌগল লূপকী মীহুৎশিং, অমাইবা, পেনা, অমাইবীশিং, অখঙ-অহৈশিং অমদি থৱায় য়াওবা মীওইশিংনা নাৎকী ওইবা ফিজেৎ শেৎতুনা মীফম অসি শরুক য়াবীয়ু। মালেমগী চাউখৎপা অসিনা মহৌশাগী শক্তম কায়রকপা, ফুরুপ কয়ানা মশাগী শক্তম মাঙনরকপা মতমসিদা থাদোকপা য়াররোইদবা লাই হরাওবা অসি করম্বা মওংদা হেন্না চুম্না অমদি কন্নবা মওংদা হরাওগদগে হায়বসি মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তারি।

লাই হরাওবগী নিল-খোংবা অমদি অহৌবা মাইক হোরোলনা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিং অমদি খুন্নাইগী করম্বা ফীভমদা কদায়ফাওবা শোকহনবা লৈরবগে। মসি করম্বা অফবা মায়ওন অমদা ওন্থোক্কদগে হায়বসি পুন্না খন্নদুনা থবক ওইনা ওন্থোকমিন্নবা মথৌ তাই। ইশাগী অখঙবা অপাম্বশিং অদু অসিগুম্বা মীফমসিদা অচুম্বা মায়কৈদু খুদোম্বী থিন্দুনা মীয়ামদা খঙহনহৌসি। হৌজিক লমদমসিদা মরুওইনা তম্পাক্কী লমদা চৎনবী অমা ওইনা পাক শন্না উ থাবগী থবক চত্থরি। মসি অফবা খুন্নাইগী খোঙথাং অমনি। মীয়াম হুপ্না থারিবা উশিং অসি য়েংশিনবীনবা লৈতবদগী কংদুনা নৎত্রগা শা-ষননা নেৎথৎতুনা মাঙবনা অয়াম্বা ওইরি। উকলনসু উমংলাই লাইবুংশংদা উ মরাং কায়না থাদুনা হৌহনবা, হিংহন্নবগী থবক পাক শন্না চত্থরি। লাইবুং পুম্নমক্তা উ মরাং কায়না হৌহন্দুনা লৈকায়, খুল খুদিংমক্তা উপাল মরাং কায়না হৌবা লাইবুং অমমম লৈহন্নবগী পান্দমদা ঐখোয় পুন্না থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই।

মতম মাঙনা, শেল তিংনা লাই হরাউরিবা অসিগী মরুওইবা অমদি কন্নবা ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই। পংলাং লাংলগা, পংচোং চোংলগা লোইশিনবগী মতমদু ঙসিদি নৎত্রে। করি করম্বা মওংদা লাই হরাউরগা লৈকায়, খুলগী, খুন্নাইগী, লৈবাক্কী অমদি ইশা-ইশাগী অফবা, নুংঙাই-য়াইফবা ওইগদগে হায়বসি খঙমিন্নবা মতম ওইরে। লাই হরাউবগী লৈরিবা তৌবা য়াবা য়াদবা কয়া অসি নমথেক্লগা ইশা-ইশাগী অপাম্বা পংতৌ তৌশিন্নবা, মান্নবীবা তনবগী খুদোংচাবা লৌরগা লাই হরাউববু ঙাওশিন-ফৈজিন্নফম অমদি শেন্দালফম ওইনা উরকপা, পা-পীগী কায়বা য়াদবা কাঙলোনশিং থুগায়দুনা অপাম্বা মওংদা চোংশিল্লকপা, হায়রুরগা ঙম্নবা ঙাংবনচিংবগী থৌওংশিং মখা তানা চত্থরবদি লাই হরাউবা হায়বা তাঙলবা লন অসি মচৎ লৈতবা, কাঙলোন য়াওদবা তম্নলাই ওইরক্কনি। লাই হরাউবদি লাই হরাউবা ওইনা লৈহনসি। তৌনিং-তৌনিংবতা তৌশিনফম, ঙাওশিন-ফৈজিনফপম, শেন্দালফম অমদি করেম্নফম ওইহনগুমসি।

নাৎ, লাইনিং, খুন্নাইলোন, থকশি-খাশি, পুন্সিরোল অমদি য়ুম্বাল তম্ফম ওইরিবা লাইবুং অমদি লাই হরাউফমবু ফুরুপকী শক্তম, পুন্সিগী পান্দম খঙহনফম ওইনা ঙাক্তুনা থমসি। অশোয়বা অমা হেক য়াওরকপদা সোসল মীদিয়াদা খোঙ্গোইনবগী মহুৎ ৱাখল তামিন্ননবা হোৎনমিন্নসি। লাই হরাউববু ফজহনবসু, থিহনবসু ঐখোয়ননি। মসিবু খোঙ্গোইনবদা ইশা-ইশাসু য়াওরিবনি।

হৌজিক লৈরিবা খুন্নাইগী ফীভম মালেমগী অওনবা অসিদা ওইরক্লিবা কয়া অসি কুপ্না নৈনরগা খ্বাইদগী হেন্না কাঙলোন ঙাক্না লিক্লম চুম্না লাই হরাউবা লাইবুং অমা খনগৎতুনা অমদি মতম চানা লাইরোইগী থৌরম পাঙথোকপা, ফজনা লাই হরাউখিবা লাইবুং ২৩ দা মনা-মথুম পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎকনি। খ্বাইদগী হেন্না মথৌ ফজনা তৌখিবা অমদি মীয়াম্বু লমজিং লমতাকপীখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মাইবা, পেনা, অমাইবী অমমম খনগৎতুনা চহীগী ওইবা মনা মীফমসিদা ঈকায় খুম্নবা উৎকনি। মরী লৈনবা উমংলাই থৌগল লূপশিং, অমাইবা, অমাইবী, পেনা অমদি থৱায় য়াওবীবা পুম্নমক্না মতম চানা লাক্তুনা মীফমসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম বাংলাদেশকী মফম মরিদা পাঙথোক্লগনি : ইপসা

ইম্ফাল,ওক্টোবর ১৮(ঐচ এন এস): ইপসা অমসুং জে এন দান্স একাদেমিগা খূৎশম্নরগা পরিং নাইনা চত্থরকপা কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম লাক্লিবা ওক্টোবর ৩০ অমদি ৩১দগী খোঙশাল্লগা বাংলাদেশকী মফম মরিদা পাঙথোক্লগনি হায়না ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয় কোন্থৌজমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, করিগীদমক কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রামগী থৌরম অসি পাঙথোক্লিবনো হায়রগদি ইপা-ইপূশিংনা থম্বীরম্বা ঐখোয়গী কলচর অসি মালেমগী মফম খুদিংদা শন্দোকপা, মশক তাকপা অমদি ঐখোয়গী নাৎপু য়োকখৎপগা লোয়ননা ঙাক-শেন্নবনি। বাংলাদেশ হায়রিবা লমদম অসি মণিপুরগী পুৱারী নৈনরুবদা য়াম্না নক্নবা লমদম অমা ওইবগা লোয়ননা মণিপুরীশিংনা মপানগী লৈবাক্তা খুন্দা লৈতাবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না লৈবা লমদমনি। লমদম অদুদা লৈরিবা মণিপুরীশিংবু য়োকখৎপা, মখোয়বু তোয়না উনদুনা ৱারী ৱাতাই শাদুনা নুংশি মরী অদু চেৎশিনহন্নবনি।

বাংলাদেশ মণিপুরীশিংনা মফম অদুদা ঐখোয়গী কলচরবু পামজবা লৈরগদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা মফম অদুদা ওজা থাদুনা কলচর য়োকখৎলগনি। লোয়ননা মদুগী মথক্তা মণিপুরদা লাক্তুনা তম্বা মতমদা চঙবা এক্সপেন্দিচরদসু ইপসানা মতেং পাংগনি।

কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রামগী টিম অসিদা জে এন দান্স একাদেমিগী মীওই২৫, ফোক সিঙ্গর দোনা অমসুং লনসনা চনুগী টিমসু শরুক য়াগনি। বাংলাদেশতা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা মশাগী শক্তম অমদি নাৎকী ওইবা চৎনবীশিং ঙাক-শেন্দুনা থম্বদা ইপসানা অচৌবা মতেং পাংগনি। বাংলাদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রামবু য়োকখৎপা অমদি শরুক য়াবীনিংবা ইচিল-ইনাওশিংনা ইপসাগী ওফিসতা লাক্তুনা মদুগী খূদোংচাবা লৌবীয়ু। কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা লমদম অদুগী ওর্গনাইজেসনশিংগা খূৎশম্নরগা পাঙথোকচগনি অমদি লমদম অদুগী মিনিষ্টরসু শরুক য়াগনি।

কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম অসি নবেম্বর ২দা অহানবা ওইনা সিলহেট, নয়া বজারদা পাঙথোক্কনি। নবেম্বর ৩দনা বানুগর, মোলবি বজারদা; নবেম্বর ৪দনা সোটো দমাইদা অমদি নবেম্বর ৬তনা ধকাদা পাঙথোক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## নুপী ওইবীশিংনা মশা কঞ্জনবা মহৈ ফুন-কাঙলোন তম্বীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচ এন এস): শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুর অমদি য়ুনিভর্সেল হুয়েনল লালোং একাদেমী শামুরৌনা খুৎশম্নদুনা শামুরৌ মখা লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা থা অসিগী ১৩ দগী ১৭ ফাওবা চত্থরকপা নুপী ওইবীশিংনা মশা কঞ্জনবা হুয়েল লালোংগী মনুংদা য়াওরিবা শরিৎ-শরাক, ফুন-কাঙলোন তম্বীবগী থৌরম ঙরাং লোইশিনখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি এস ঐচ ইবোমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মতম খরা লেপ্লুরবা মতুংদা মখা তানা স্কুল, কোলেজ, খুঙ্গং লৈকায়শিংদা চৎতুনা নুপী ওইবীশিংদা খুদোংথিবা কয়াদগী কঞ্জনবা তাকপী-তম্বীবগী ট্রেনিং মখা চত্থবা হৌরগনি। নুমীৎ মঙানি চত্থখিবা ট্রেনিং অদুদা হুয়েল লাঞ্জং থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন য়াইস্কুলগী শিন্তাক পুরেল এল লাসমোন, হুয়েল লালোং কলচরেল এসোসিএসন, থিয়াম লৈশাংখোংগী শিন্তাকপা টি ঐচ কোরা, মৈতৈ ইনাৎ শিন্দম অপূনবা হৈঙাংগী শিন্তাকপা এন ইবোহল, য়ুনিভর্সেল হুয়েন লালোং একাদেমী শামুরৌগী শিন্তাকপা এস ঐচ ইবোমচা, ইষ্টর্ন থাঙ-তা ওর্গনাইজেসন তাংখমগী শিন্তাকপা এন জিবনসু শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি হায়রি।

HL-P/3773/23aug to 21oct(alt.)

**PIS Brick Field (Mechanised)**

BRICK SAMPLE

(From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.10 | 2000 | Rs. 24200 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26800 |
| 1st | Rs. 12.10 | 1500 | Rs. 18150 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20150 |
| 2nd | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 2nd | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 1st Rej. | Rs. 11.00 | 2000 | Rs. 22000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 24600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.00 | 1500 | Rs. 16500 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 18500 |
| Peti | Rs. 10.10 | 2000 | Rs. 20200 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 22800 |
| Peti | Rs. 10.10 | 1500 | Rs. 15150 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 17150 |
| 3rd | Rs. 6.00 | 2000 | Rs. 12000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 14600 |
| 3rd | Rs. 6.00 | 1500 | Rs. 9000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 11000 |
| Chektek | Rs.5000/- per 1 load (Tata 407) | | | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 7000 |

Contact: 9862048579, 8787464898 (Sunday closed & Phone switch off)

Office Hours: 6:00 am to 4:30 pm

Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

**ADMISSION OPEN**

**ENGLISH & RHYMES COURSES**

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764